কোভিদ-১৯ : অসামদা মীওই ২ পোজিটিভ ওইদুনা অপুনবা কেস মশিং ১৯১ য়ৌরে

গুৱাহাটি, মে ২১ (এজেন্সি):

কোক্রাঝার ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা অসামগী অপুনবা কেস মশিং ১৯১ য়ৌরে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা ফোঙদোকখ্রে।

বর্পেতাদা লৈবা ফাখ্রুদিন অলি অহমদ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা ঙসি অয়ুক দোক্তরশিংনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস অমা থেংনরে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক এক্তিভ কেস ১৩৬ লৈবগা লোয়ননা অনাবা মীওই ৪৮ ফগৎলক্লে। মীওই ৪ দি লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অমসুং পন্দুনা লৈরিবা মীওই কয়া থুংলখিবগা লোয়ননা অসামদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৪২ থেংনখি। মপান্দগী হল্লকপা থা অনীখক্তা ঙাইরিবা অঙাং পোজিটিভ ওইরমখি।

অকনবা চেকশিন-থৌরাং মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৩ সরুসজাই ক্বারন্টিন সেন্টরদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবা মরম্না এদমিনিষ্ট্রেসনদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। অদুবু পুলিসনা মীওই অহুমক ফাবা ঙমখি।

অসামগী ওইনা অনাবা মীওই ৪১ ফিভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌদুনা ময়ুম-ময়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌহনখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙন্বগী ফিভম তারবসু মপান্দগী মীওই কয়া লেপ্তুনা হল্লক্লিবা মরম্না কেস মশিং হেনগৎলকখিগনি হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা মশা-মশাগী পোক্লফম ষ্টেটতা হল্লক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা অপিল তৌরকখ্রে। হরিয়ানাদা থবক শুদুনা লৈরিবা মীওইশিংসু ভিদিও মেসেজ থাগৎতুনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মতেং নীখি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক-থৌরমশিং য়েংশিল্লিবা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মীওই পুম্নমক মশা-মশাগী পালি ঙাইদুনা লৈনবা অপিল তৌখি।

এন এস সী এন-কেগী কম্মান্দর হাংখ্রে

দিমাপুর, মে ২১ (এজেন্সি):

নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ-খপ্লাং (এন এস সী এন-কে)গী য়াম্না মরু ওইবা কম্মান্দর অমা ওইরিবা কেপ্টেন চুসিমুবু ম্যান্মারগী সগাং রিজন্দা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লে।

মহাক্না চৎমিন্নখিবা মীওই অমসু মখোঙদা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লে। মখোয় অনীমক সগাং রিজনগী নাগা হীলস এরিয়াদা খুৎলায় অমত্তা পায়দনা থবক অমা চৎখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা এন এস সী এন-কেগী কেপ্টেন চুসিমু চহী ১০ রোমগী মমাংদা লূপ অসিদা য়াওরকখিবনি। টিসারি রিজনগী কুলা খুঙ্গংদা লৈবা মীওই অসি মচা ২ লৈরে।

ম্যান্মার সগাং রিজনদা খুন্দারিবা নাগাশিং অমসুং অৱাং-নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা নাগাশিং পুনশিন্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৮০ দা এন এস সী এন লিংখৎখি। অদুবু কুমজা ১৯৯৮তা লূপ অসি মচেৎ তাখিবগা লোয়ননা এস এস খপ্লাংনা লুচিংবা লূপ অমসুং আইসাক চিসিনা লুচিংবা লূপ অমা থোরকখি।

স্বাইন ফ্লু শন্দোরকপদগী ওক ৩০ শিখ্রে

শিল্লোং, মে ২১ (এজেন্সি):

মেঘালয়াদা স্বাইন ফ্লু শন্দোরকপদগী ওক ৩০ শিরে হায়না ষ্টেট অসিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিন্সোংনা এসেমব্লিগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসনগী এম এল এ প্রোসেস টি সোকমিনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কোল এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা সোকমিনা হায়খি, মোলাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা ওক কয়ামরুম স্বাইন ফ্লুনা শিখিবা মরম্না ওক লোইরিবা মপুশিংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা কমপেন্সেসন পীবা মথৌ তাই।

তিন্সোংনা হায়খি, অশিবা ওকশিংদগী সেম্পল লৌরগা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচরেল রিসার্স (আই সী এ আর)দা থাদুনা টেষ্ট তৌবদা স্বাইন ফ্লুনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লে। ওক লোইরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা পুম্নমক কোকহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু এনিমেল হজভেন্দ্রি এন্দ ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টসু পায়রিবা তিন্সোংনা ফোঙদোকখি।

মিজোরামগী কোংগ্রেস এম এল এশিংনা থা অমগী তোলোপ কৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

আইজোল, মে ২১ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা থা অমগী তোলোপ কৎলগনি হায়না মিজোরামগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিনা ৱারেপ লৌখ্রে। অতৈ লেজিসলেচর পার্টিশিংনসু থা ৮ চুপ্পা তোলোপ চাদা ৩০ কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবা হোৎনবদা কৎলগনি হায়না ৱারেপ লৌখি।

মে ৭ তা মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ), জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) অমসুং বি জে পিনা এম এল এশিংগী তোলোপ চাদা ৩০ চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা কৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

পার্টি অহুম অসিগী এম এল এ ৩৫ না লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৫০ কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অমদা সী এল পিগী লুচিংবা জেদ রালটেনা হায়খি মদুদি, এম এল এ ৫ না বেসিক পে চাদা ১০০ (লুপা ৮০,০০০) চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা কৎনবা ফিরেপ লৌরে। লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থবক-থৌরমশিংদা সী এল পিনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়রি।

অমরোমদা, লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্তবা মীওই ১৮৯ দগী হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পুলিসনা কন্টেনমেন্ট এন্দ প্রিভেন্সন ওফ কোভিদ-১৯ ওর্দিনান্স ২০২০ গী মখাদা ফাইন খোমগৎখ্রে। মীওই ১৮৯ গী মনুংদা মাস্ক উপ্তুনা মীয়াম তিনবা মফমদা চঙলকই হায়না মীওই ১৭৪ ফাইন থিহনখি। সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্তে হায়বা মীওই অনী ফাইন থিহনখিবগা লোয়ননা পব্লিক প্লেসতা তিন শিত্তোকখিবা মীওই অমসু ফাইন থিহনখি।

মে ৪ দা কন্টেনমেন্ট এন্দ প্রিভেন্সন ওফ কোভিদ-১৯ ওর্দিনান্স ২০২০ চৎনহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংদগী লুপা লাখ ১১.২ ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙল্লে। খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফাইন খোমগৎখিবা মফমদি আইজোল দিষ্ট্রিক্টতনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই ২,৫১৭ তগী ফাইন খোমগৎখি।

ষ্টেটকী পাউ

‘পামদবা থৌদোক থোক্তনবা লৈঙাক্না থৌশিল অমা পুথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর (সী ক্যু সী)শিংদা লৈরম্বদগী টেষ্ট তৌদুনা কোরোনাভাইরস নেগেটিভ ওইরে হায়না য়ূমদা হনখ্রবা মীওই কয়াদা লৈকাই-লৈকাইগী মীয়াম্না হঙ্গোয়বা ফাওবা, মখোয়বু লৈকাইদা লৈহন্নিংদবগী মওং কয়া অমা মফম কয়াদা উরিবা অসিনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা লৈঙাক্না থৌশিল অমা পুথোকপীয়ু হায়না খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

খাঙবোক অমসুং থৌবাল এ সীদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর (সী ক্যু সী)শিংগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এম এল এ সুর্জকুমারনা লুচিংদুনা সোদিয়ম হাইদ্রোক্লোরাইদ কাপথোকপগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপগা মরী লৈননা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, কোরোনাভাইরস নেগেটিভ ওইরে হায়দুনা হোম ক্বারন্টিনগীদমক য়ূম-য়ূমদা হন্নখিবা অসিদা লৈকাই-লৈকাইদা লৈরিবা ইমা-ইবেলশিংনা পাখৎপা ফাওরিবা অমদি য়ূমদা ক্বারন্টিন তৌনবা হল্লক্লবশিং ক্লবনা পূন্না থম্ননবা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিনা অতোপ্পা ক্রাইসিস অমসু থোকহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা মীয়াম মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং থৌশিল অমা পুথোকহন্নিংই। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ নারবা মীওই মশীং হেনগৎলে হায়বা খঙনা-খঙনা লায়ওং অসিবু থেংনগনি হায়দুনা সী ক্যু সীশিংদা থবক তৌরিবা ভলন্টিয়রশিং অসি ঐখোয় পূন্না পূক্নিং থৌগৎমিন্নসি। খাঙবোক এ সীদা লৈরিবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর মঙা অমদি থৌবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর তরেৎ অসিদা ক্বারন্টিন তৌদুনা মীওই কয়ানা লৈবদা হেন্না শাফগদবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক ঙসি হীদাক কাপথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা শীজিন্ননবা অৱাৎপা মোম্পাক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি সাপোননচিংবসু এম এল এ সুর্জকুমারনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ভলন্টিয়রশিংদা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা থবক তৌরিবা ভলন্টিয়রশিংবুসু পূক্নিং থৌগৎখি।

‘কুমজা ২০০১, ২০১১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই’

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়া লৈঙাক্না দিলিমিটেসন তৌবদা সেন্সস দেটা ২০০১ নৎত্রগা ২০১১ দা য়ুম্ফম ওইরগা তৌবা য়ারোই, অরানবা কয়া য়াওই হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট এন চেতননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমগী ওইনা কোরোনভাইরসনা মীওইবা খুন্নাইদা লাম্থেংনরকপগী অকনবা মওংদা থেংনরিবা তানফমনি। চৈরক অসিদা দিলিমিটেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর য়াওনা নাগালেন্দ, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা এসেম্বলী অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিশিং দিলিমিটেসন তৌনবা ষ্টেট এসেম্বলী স্পিকরশিংদা দিলিমিটেসন কম্মিসনদা এসোসিএট মেম্বর ওইনবা মীহুৎশিং থারক্লবা হন্দক্তা নৌহৌননা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। দিলিমিটেসন এক্ট ২০০২গী মখাদা ২০০৮তা দিলিমিটেসন কম্মিসন্না ২০০১ গী মীকোক থিবদা লৈখিবা মীশিং লৌদুনা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না ষ্টেটশিং অসি য়াওদনা দিলিমিটেসনগী থবকশিং পাঙথোকপা লৈখ্রে।

মতমগী মতুংইন্না কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা গ্রোথ মান্নদনা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না হান্না ওইরম্বা সিট শেমদোকপা অসি চৎনরোই। কুমজা ২০০১ দা মীকোক থিবদা ওইথোকপা য়ারোইদবা মওংদা মণিপুরগী সব-দিভিজন ৯ দা কা হেন্না মীশিং হেনগৎখি। মাও, মরাম, পাওমাতা, পুরুল অমদি চকপীকারোং হায়রিবা অসি মতম অদুদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফৎখিদবা অমদি ঈরাং থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা দিলিমিটেসন তৌখিদবনি। ইলেক্টোরেল রোলদা লৈরিবা ভোটরশিংগা পোপ্যুলেসনগা লৈনরিবা পার্সেন্টেজ অসি চাউরাক্না ৪০/৬০ ওইনৈ। অদুবু চীংগী সব-দিভিজন খরদদি ৩০/৭০ লৈবগী মমি চাউনা তাই। মীকোক থিবদা আধার লিঙ্ক তৌরবদি দবল ওইনা মীকোক থিবগী খুদোংচাবা অসি মাঙদুনা অশেংবা পুথোকপা ঙমগনি। সেটলাইটকী মতেংনা য়ুমকোক থিদোক্লগা ওইথোকপা য়াবা মীশিং খঙবা ঙমগনি। কুমজা ২০০১ গী মতমদা সিজ ফায়র তৌবগী তম্পাক্তা তাবা চীংমী কয়া চৎখিবা লৈ। মতমদুদা সেন্সসকী রিপোর্ট ইবদা তম্পাক্তগী চীংগী মফম কয়াদা লৈখিবা মীশিং অদু দবল কাউন্টিং তৌরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। নাগালেন্দদা কুমজা ২০০১গী মীকোক থিবগী মশিংনা কুমজা ২০১১ দগী হেন্না য়াম্না হেন্না লৈ। চহী ১০ গী মতুংদা মীকোক অসি হন্থরক্লিবসি ওইথোকফম থোক্তবা মরম্না য়েংশিনফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এ আরনা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েংখাদা ২৬শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টলিয়ন্না নাথম ভিলেজদা লৈবা ওর্ফানেজ হোমগী অঙাংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম, সর্জিকেল মাস্ক অমসুং হিদাক-লাংথকশিং য়েন্থোক্তুনা তেংবাং পীখ্রে।

অসাম রাইফলসকী আর এম ও অমদি মেদিকেল টিমনা অঙাংশিংগা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা খুৎ-শাতোয়না হাম্বা, সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা অমসুং হকচাং লূ-নান্না লৈবগী মতাংদা ৱাখল তাহনখ্রে। হৌখিবা মে ১৫ দসু চান্দেল বট্টালিয়ন্না অতৈ অতোপ্পা খুঙ্গং খরদা রিয়ুজেবল মাস্ক ৪০০ য়েন্থোক্তুনা খুঞ্জাশিংগী মতেং পাংখি।

লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঞ্জাশিংনা ফেস মাস্ক লৈনবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী খুঞ্জাশিংদা রিয়ুজেবল মাস্ক য়েন্থোকখিবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদা এ আরগী টিমশিংনা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা তেংবাংগী পোৎলম য়েন্থোকপা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এসিয়ন বার্দ ওলেট অমা কনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচএন এস): ৱাংজি এস কে লৈকাইদা হুইশিংনা হাৎকদবগী তান্নরম্বা এসিয়ন বার্দ ওলেট অমা লৌক্রাপম বিদ্যাসগর কৌবা মীওই অমনা কল্লগা জোইন্ট কম্মিটি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটিগী কনভিনর রোমেস নিংথৌজমদা শীন্নরক্লে হায়রি। উচেক (মকু) অদু মশা খরা শোনবদগী অখঙ-অহৈশিংনা পীবা পাউতাক মতুং ইন্না নীংথিনা য়েংশিনবিরগা থাদোকখ্রে হায়না জোইন্ট কম্মিটিগী কো-কনভিনর আই সনাতোন্না ফোঙদোরক্লি।

অতাংবা মখলগী উচেক কয়া য়ুল্লক অমদি ইংখোলদা চঙলকখিবগা লোয়ননা মকু মখল অসিসু য়ুল্লক্তা চঙলকপদা হুইশিংনা তান্নরম্বনি। উচেক মখল অসি অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা মীৎ উদবা মরম্না খুদোংথিবা কয়া তোয়না মায়োক্লে। লমদম অসিগী পাৎ কয়াদা মীওই খরনা উচেক ফাবগী থৌওং চথরক্লিবসিদা মনাক নকপা লৈকাইগী ক্লবশিংনা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না অপিল তৌরকখি।

ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা মীওই ফাবদা মনা পীগদবনি : ইবোমচা

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মোরে ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা মীওই অদু ফাবা ঙন্বা মীশক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না শেলগী মনা পীফম থোকই হায়না হান্নগী এম এল এ লাইসোম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লো সেক্রেটরিসু ওইরম্বা এল ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমা হায়, মোরে পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী মীওই অমা চেনখিবগী থৌওং অদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদবগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। করিগুন্বা মীওই অদু টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থোক্লবদি মহাকপু থেংনরিবা মফম অদু কনামত্তা চঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা মথৌ তাই।

সেন্টরনা হন্দক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী মতাংদা ষ্টেটকীদমক খাক্তুনা থমখিবা লুপা ক্রোর ৮২২.২২গী শেনফম অদুদগী অকক্লবা শেনফম খরা লৌথোক্লগা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেনখিবা মীওই অদু ফাবা ঙন্বা মীশক্তা শেলগী মনা পীগদবনি। তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওইশিং পুশিল্লকপা মতমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা এক্সপার্টশিংনা এন্ট্রি পোইন্টতা স্ক্রিনিং তৌরগা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমগদবনি। মীপুম খূদিংমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহন্দুনা তোখায় তোখায় থম্বা মথৌ তাই। রেদ জোনদগী হল্লকপা মীওইশিংদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্বগী মহুৎতা মরী লৈনবা হোস্পিটালদা পুদুনা টেষ্ট তৌবা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ক্বারন্টিন সেন্টরদা য়ু থিল্লকপা অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরুবদগী মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওই খরগীদমক ক্বারন্টিন সেন্টরদা য়ু থিল্লকপা মীওই অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সন্দুমহা অচৌবদা হাংবা কারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওই অহুম্না য়ু পুরক্লবা খঙহল্লকপদগী মীওই অদুনা য়ু পুরগা লাকপদা পুলিসনা ফাগৎখিবনি। য়ু লৌহন্নবা হোৎনরল্লিবা ক্বারন্টিনদা লৈবা মীওই অহুম অদুগী মোবাইল ফোনশিংসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ককচিং ৱাইরিদা লৈবা এস সী/এস টি হোষ্টেলদা হাংবা কম্ম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা পোৎ-চৈ থিনবা লাকপা মীওই অমদগীসু য়ুঙৌ লিটর অনী পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা হাংদোক্লিবা ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টর মফম অনী চত্তুনা ঙসি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী জি এন এস হোষ্টেলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই ৪০ অমদি ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওই ৪৩গী চানবা য়েরুম, ঈশিং অমদি সাপোনশিং মফম অদুবু ঙাক শেল্লিবা মীওইশিংদা খুৎশিন্নরদুনা থৌবাল কেন্দ্রদা বি জে পিগী মীরেপ ওইবা এল বসন্তনা হায়, পার্টিগী মায়কৈদগী অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদা অঙন্বা মতেং খর পাংজবনি, মখা তানসু পাংখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

জর্দা অমদি পান মাসলা পেকেটশিং মৈ থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

লোকদাউন্না মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ চৈরক অসিদা টাটা ৪০৭ অমদা হাপ্তুনা পুরকপা জর্দা বোরা ৫২ অমদি বোম্বে পান মাসলা পেকেটশিং এম এন দল্লিয়ু ও অমদি এম সী এম হাট্টা মিনুংথোংগী মীয়াম্না ফাদুনা মৈ থারগা মাঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা হাট্টা মিনুংথোংনা টাটা ৪০৭ অমদা য়াল্লবা জর্দা অমদি পান মাসলা পেকেটশিং অদু পুরগা লাকপদগী ফাগৎখিবনি। ফাগৎলকবা পোৎলমশিং অদু মীয়াম্না মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

দ্রাইভ চত্থখ্রে, ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা লোকদাউন থুগায়বশিংগী মায়োক্তা ঙসিসু দ্রাইভ চত্থখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা ঙসি চত্থখিবা দ্রাইভতা লোকদাউন থুগায়খিবা মীওই ৫১৮ গাড়ি ৫০০ রোমগা কোন্ননা দিটেন তৌখি। দিটেন তৌরবা মীওইশিং অদু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা লুপা ৬৮,১০০ ফাইন ওইনা থিহনখ্রে হায়রি।

দুকানশিং পালি নাইনা থোঙ হাংহল্লগনি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিনা কোনবা অতৈ ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিংদা পালি নাইনা দুকানশিং থোঙ হাংহল্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ভেলেন্টিনা অরাম্বমনা থোকখিবা ওর্দর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ককচিং ম্যুনিসিপাল এরিয়া অমসুং অতৈ ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিংদা অয়ুক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা রিটেল মার্কেট থোঙ হাংগনি। মীয়াম্না লোকল মার্কেট খক্তদা পোৎ লৈবা চৎকদবনি অমসুং গাড়ী তোংদুনা কৈথেলদা চৎপগী অয়াবা লৈরোই। মীপুম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাক্কদবনি হায়রি। ককচিং ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মতাংদা ওর্দর অসিনা হায়, নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশ অমসুং ইরাই নুমীৎ খূদিংগী ফিরোল য়োনবা দুকান, টেল্লরি সোপ, জেল্লরি এন্দ এসেসরি, কোস্মেটিক সোপ, বেবি প্রদক্ট এন্দ ক্লোদিং, কোল-লিকনচিংবা ইমুংগী শীজিন্ননবা পোৎলম য়োনবা দুকান, বেগ অমদি লগেজ য়োনফম, ষ্টেসন্নরি অমসুং বেক্করি লোয়ননা দাইরি মিটকী দুকানশিং থোঙ হাংগনি। লৈবাকপোকপা, শগোলশেন অমসুং থাংজ নুমীৎতনা মোবাইল অমসুং মোবাইল রিপ্যারিং সোপ, কম্প্যুটর রিপ্যার অমসুং হার্দ ৱায়র সোপ, বিল্ডিং অমসুং অতৈ কন্সত্রক্সনগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকান, ওটো মোবাইল অমদি স্পেয়র পার্টকী দুকানশিং থোঙ হাংগনি। নোংমাইজিং নুমীৎতদি দুকান পুম্নমক থোঙ লোনগদবনি হায়রি।

CROSSWORD-3451



ACROSS

1 Wandering from place to place (7)
5 Karate blows (5)
8 City of northern Italy (5)
9 Cad (7)
10 Citrus fruit (7)
11 Scottish child (5)
12 Comes to a standstill (6)
14 Adorned (6)
18 Inexpensive (5)
20 Branch of mathematics (7)
22 Fishing (7)
23 Norwegian composer (5)
24 Amalgamate (5)
25 Most sorrowful (7)

DOWN

1 Ideas (7)
2 -- Loy, film star (5)
3 Irish county (7)
4 Style of art associated with Picasso (6)
5 Small fragment of bread (5)
6 Satan (3,4)
7 Alluring woman (5)
13 Engrave (anag.) (7)
15 Betrothed (7)
16 Current of air (7)
17 Traditional Scottish dish (6)
18 Abyss (5)
19 Balance (5)
21 Cloth for card-tables (5)

Solution 3450

P	A	S	S	B	Y	■	S	C	O	R	E	D
A	■	I	■	U	■	■	■	H	■	A	■	A
L	U	R	I	D	■	E	G	O	T	I	S	M
A	■	L	■	G	■	X	■	R	■	S	■	A
C	L	O	S	E	S	T	■	I	D	E	A	S
E	■	I	■	■	■	R	■	Z	■	■	■	K
■	■	N	O	D	D	E	D	O	F	F	■	■
O	■	■	■	U	■	M	■	■	■	L	■	C
L	U	P	I	N	■	I	M	P	L	O	R	E
I	■	A	■	G	■	T	■	E	■	W	■	N
V	A	R	I	E	T	Y	■	D	U	E	T	S
E	■	I	■	O	■	■	■	A	■	R	■	U
R	E	S	E	N	T	■	B	L	A	S	T	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3250

3				1				8
	1	9		7		3		
2						6		
8	6				5			9
	9		2		6		4	
7			4				6	3
		7						2
		1		2		4	8	
9				5				6

Solution-3249

3	1	2	4	7	5	8	6	9
7	9	6	2	8	1	3	5	4
8	4	5	3	9	6	2	7	1
9	3	7	5	1	8	4	2	6
5	8	1	6	4	2	9	3	7
2	6	4	7	3	9	5	1	8
6	7	3	9	5	4	1	8	2
4	2	8	1	6	3	7	9	5
1	5	9	8	2	7	6	4	3

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


নুপী ঐনা চৎখ্রিঙৈদা খোঙদ্রুমসি হেক্কনুকো।
ইস ওম্থোক্লদি হেকনিংখ্রেদকো, চাকখরেদা।
মসি তান চাবামা ঙাইরেগে, অদুগা হেক্লগে।